## টুরিজম এক্তিভিটি লৈখিরোই

পনাজি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদা নোভেল কোরোনাভাইরস কেস অমত্তা লৈত্রবা মতুং খক্তদা গোৱাদা টুরিজমগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা য়াগনি হায়না পোর্টস মিনিষ্টর মাইকেল লোভোনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

থা ৩গী মনুংদা কোরোনা কেসশিং হন্থখিবা তারবদি গোৱা য়াওনা ইন্দিয়াদা টুরিজম ইন্দষ্ট্রি অমুক হেন্না মথৌ হৌগনি। তৌইগুম্বসুং, অতৈ ষ্টেটশিংদা কোরোনা কেস জিরোদা লাক্তবা থোক্লবদি গোৱাদসু থবক অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়না লোভোনা ফোঙদোকখি।

## অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা খঙহনখ্রে

কোলকাতা, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অমসুং অতৈ দোক্তরশিং বোদি ৭না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লদুনা তুংদা হেল্থ সর্ভিসশিং ফেল ওইরকপা য়াবগী ফিভম লাকহন্দনবগীদমক্তা লায়না-লাইচৎ থেংনবদা মাঙজিল থানা থবক তৌরিবা মেদিকেল সর্ভিস প্রোবাইদর খুদিংমক্তা অশোয়-অঙাম অমত্তা থোকহন্নদবগীদমক্তা চেকশিন-থৌরাংশিং মতিক চানা লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

# য়ুরোপতা এন্টি-চাইনা সেন্টিমেন্ট ৱাংখৎলক্লে, লৈবাক কয়ানা বৈজিংদা অকনবা মেসেজ পীখ্রে



পেরিস, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
য়ুরোপতা এন্টি-চাইনা সেন্টিমেন্ট ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা কন্টিনেন্ট অসিগী মরু ওইবা পৱার ওইরিবা ফ্রান্সনা হন্দক্তা চাইনিজ দিপ্লোমেটশিংগী কা হেনবা দিপ্লেমেসিদা য়ানিংদবা উৎলদুনা বৈজিংগী মায়োক্তা পোলিটিকেল লাঞ্জং অমা চঙশিনবা হৌখ্রে।

ফ্রান্সকী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়েরসনা হন্দক্তা চাইনিজ এম্বেসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা আর্টিকল খরগা মরী লৈননা চাইনিজ এম্বেসেদর কৌখৎখি। মিনিষ্ট্রি অসিনা হৌখিবা চয়োলদা চাইনিজ এম্বেসেদর লু সাইয়েবু কৌখত্তুনা কোরোনাভাইরস ক্রাইসিস মনুংদা ফ্রান্সনা লৈবাক অসিগী অহল ওইরবা সিটিজনশিংবু য়েংশিনবিদদুনা শিহল্লে হায়বা চাইনিজ দিপ্লোমেটশিংগী ক্লেমশিংবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি।


পেরিসতা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিগী ৱেবসাইটতা পরিং নাইনা পোষ্ট কয়া থাগৎলকখিবা মতুংদা ৱাথোক অসি লাকখিবনি। চাইনিজ দিপ্লোমেট অমগী আর্টিকল অমদা অহল ওইরবশিংগী হোমশিংদা লৈরিবা চহী য়াম্লবা মীওইশিংবু ইমর্জেন্সি কয়া কোমথোকপগী সার্টিফিকেটশিংদা সাইন তৌহনবগা লোয়ননা অহিংগী মতমদা নর্সিং ষ্টাফনা মখোয়গী পোষ্টশিং থাদোক্তুনা ক্যের হোমশিংদা লৈরিবা অহলশিং অদুবু চাবা ফংদবদগী অমসুং লায়না নাহন্দুনা শিহল্লে হায়না পনখি।

ফ্রান্সতা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিগী রেপ্রজেন্টিভ খরনা হন্দক্তা ফোঙখিবা ৱাফমশিং লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল মরিগী ক্বালিটিগা চানদে হায়না ফ্রান্সকী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, জর্মনিদা ফোঙবা পার্উচে বিল্ডগী এদিটর-ইন-চীফ জুলিয়ন রিচেল্টনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিন পিংবু কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মতাংদা মহাক্কী রেজিম্না অশেংবা ৱাফমশিং লৌথুপ-লৌকোয়বা লৈতনা ফোঙদোকখিদবগীদমক্ত ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট জিন পিংদা পীবা লেটর অমদা রিচেল্টনা বর্লিনদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিনা ওপন লেটর অমগী খুত্থাংদা মঙোন্দা কোরোনাভাইরসনা মালেমদা পীরিবা শেল-থুমগী চৈথেংগী মতাংদা মহাক্কী পাউচেনা হংখিবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীরক্লে হায়না খঙহনখি।

# ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী ভেক্সিন চাংয়েং তৌরগনি



লন্দন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা পুথোকপা কোরোনাভাইরস ভেক্সিন অমা য়াম্না ঙন্না শগোলশেল নুমিত্তা মীওইবদা চাংয়েং চত্থরগনি হায়না য়ু কেগী হেল্থ সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু কে গভর্নমেন্টনা য়ুনিভর্সিটিগী টিম অদুদা পাউন্দ মিলিয়ন ২০ পীবগা লোয়ননা সাইন্টিষ্টশিংনা ভেক্সিন অমসু পুথোক্লবগী থবক তৌরিবা ইমপেরিয়ল কোলেজদসু পাউন্দ মিলিয়ন ২২.৫ পীরগনি। সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা ভেক্সিন অদুগী দোজ মিলিয়ন ১ পুথোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা মখোয়না থবক তৌরিবনি হায়না মমাংদা ওক্সফোর্দগী সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রেবনি।

হেল্থ এন্দ সোসল ক্যেরগী সেক্রেটরি মাট হেনকোকনা টিম অনীমকপু ভেক্সিন পুথোকপদা থুনা প্রোগ্রেস লৈহনবগীদমক্তা থাগৎখি।

ভেক্সিন অমা মায় পাকপা মতমদা বৃটিশ মীয়ামগীদমক্তা দোজ মশিং য়াম্না ফংহনবা ঙম্নবা গভর্নমেন্টনা মেন্যুফেকচরিংগী থবক্তা শেল মতিক চানা থাদগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মায় পাক্লবা ভেক্সিন অমা পুথোকপা ঙম্বা মালেমগী অহানবা লৈবাক ওইবা ঙম্নবগীদমক্তা বৃটেন্না হীরম অসিদা অঙম্বা থাক্তা অমদি অরৈবা রিসোর্স পুন্বা পুথোক্তুনা হোৎনরিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি অদুগী জেন্নর ইন্সটিট্যুট অমসুং ওক্সফোর্দ ভেক্সিন গ্রুপনা খুৎশম্নরগা পায়খৎলিবা ভেক্সিন প্রোজেক্ট অদুগী ক্লিনিকেল চাংয়েংগীদমক্তা মার্চ থাগী অরোয়বা শরুক্তা মী খনবগী রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকখ্রবনি।

# বোম পোকখায়বদা মীচম ৪ শিরে, পলিষ্টিনিয়ন এটেকর ১ হাৎখ্রে



কাবুল, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী নোংপোক থংবা গজনি প্রোভিন্সতা লম্বীগী নাকলদা মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়রকপদগী গাড়ি অমদা তোংলকপা অফঘান মীচম ৪ শিখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা খোংয়ানি দিষ্ট্রিক্টকী পির্কা লোকেলিটিদা থোকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ওফিসলশিংনা ভিক্তিমশিং অদুগী খ্বাইদগী নক্লনবা ইমুংগী মীওইশিং থিদোক্লবা হোৎনরি হায়না স্পোক্সমেন হরিফ নুরিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুগী কাবুলগী খারোমদা কিলোমিটর ১২৫ রোম লাপ্না লৈবা প্রোভিন্স অদুদা চত্থখিবা এটেক অদুগী মতাংদা মহাক্না মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবা পান্থশিংগী য়েক্লবা তালিবান মিলিটেন্ট গ্রুপপু মরাল শীখি।

অফঘানিষ্টানগী মিলিটেন্টশিংনা আই ঈ দিশিং অমসুং লেন্দমাইনশিং শীজিন্নদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌরকপদা শাথিরবা খুৎলায়শিং অদুনা মীচমশিংদসু মীশি-মীনা কয়া থোকহল্লিবনি।

অমরোমদা, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জেরুসলেমগা নক্লনা লৈবা চেক পোইন্ট অমদা পুলিস ওফিসর অমদা থাঙনা থিনখিবা পলিষ্টিনিয়ন নুপা অমা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না ইজরেলি পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোক্সমেন মিকি রোজেনফেল্ডনা ফোঙদোকখিবদা, টেররিষ্ট অদুনা মহাক্কী গাড়ি অদু বোর্দর চেক পোইন্ট অদুদা থৌজিনবগা লোয়ননা মফম অদুদা তারল্লিবা পুলিস পর্সনেল কাটিনা থিনখি। মফম অদুগী ওফিসলশিংনা এটেক অদুদা রেস্পোন্দ তৌরদুনা টেররিষ্ট অদুবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। জিৱিষ্ট সেল্টলমেন্ট মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা পর্সনেল অদুসু খরা শোকখি।

# য়ু এসকী অনৌবা ইমিগ্রেসনগী অথিংবা নুমিৎ ৬০ নি চৎনহনগদৌরি



ৱাশিংটন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী অনৌবা ইমিগ্রেসনগী অথিংবা নুমিৎ ৬০ নি চৎনগনি অমসুং কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা থবক তোক্লখ্রবা অমেরিকানশিংবু অমুক হন্না থবক ফংহন্নবগীদমক্তা অথিংবা অসি য়ু এসতা পার্মিনেট রেজিদেন্সি ফংনবা গ্রীন কার্দশিং তান্নরিবশিংদা চৎনগনি হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রম্পনা অথিংবা অদু এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমগী খুত্থাংদা চৎনহন্নবা থৌরাংলিবনি। মহাক্না ওর্দর অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সাইন তৌরবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মতম খরগী ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙলক্লিবা মীওইশিংবুদি অথিংবদু চৎনরোই অমসুং মদু নুমিৎ ৬০ নিগী মতম হৌখিবগা রি-ইভাল্যুএসন চত্থগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অথিংবা অসিগী থৌরাংগী মতাংদা পল্লদুনা ট্রম্পনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎকী চৈথেং চাওনা ফংলবা লৈবাক অদুদা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগুম্না পায়খৎপা হৌরকপা মতমদা ইমিগ্রেসন লেপহনবা হায়বসিনা থবক ফংদ্রবা অমেরিকানশিংবু হান্না থবক পীবা য়াহনগদৌরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

শাথিরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা থবক লেপহল্লবা অমেরিকানশিংগী মহুত্তা মপান্দগী চঙলকপা অনৌবা ইমিগ্রেন্ট লেবরনা মহুৎ শীনে দাকপা হায়বসি অরানবা থৌওং ওইগনি। ঐখোয়না অমেরিকান ৱর্করশিংগী ক্যের হান্না লৌগদবনি হায়না ট্রম্পনা হ্বাইট হাউসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখি। রিপব্লিকান অমা ওইরিবা প্রসিদন্টে ট্রম্পনা ইমিগ্রেসন কন্ট্রোল তৌগনি হায়বা ৱাশক অমগা লোয়ননা কুমজা ২০১৬গী হ্বাইট হাউসকী মীখলদা মায় পাকখিবনি। মহাক্না ইমিগ্রেসনদা অথিংবা থন্বগী খোঙথাং অমা লাউথোরক্লিবসি হৌজিক্কী কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মহাক্কী পোলিসি পান্দম অমা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপনি হায়না লৌনরি।

# ইরানগী অহানবা মিলিটরি সেট্টলাইট লোঞ্চ তৌখ্রে



দুবাই, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
টেহরানগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা কন্না উংখৎনবা লৈরিঙৈগী মতমসিদা ইরানগী অহানবা মিলিটরি সেট্টলাইট ওর্বিটতা মায় পাক্না লোঞ্চ তৌখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দস কোরনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী ওফিসলশিংনা মমাংদা সেট্টলাইটশিং ওর্বিটতা থন্বদা শীজিন্নরিবা লোং-রেঞ্জ বলিষ্টিক টেক্নোলোজি অসি ন্যুক্লিয়র ৱার হেদশিং লোঞ্চ তৌবদসু শীজিন্নবা য়াই হায়রদুনা মীপাইবা ফোঙদোকখ্রবনি।

অমরোমদা, টেহরান্নদি সেট্টলাইট থাগৎপগী এক্তিভিটি অসিবু বলিষ্টিক মিসাইল দিভলপমেন্টকী থবক লোত্তুনা চত্থবনি হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শানবা হোৎনখিবা অমত্তা লৈতে হায়রিবনি।

ইরানগী অহানবা মিলিটরি সেট্টলাইট নুর ঙসি অয়ুক লৈবাক অসিগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবিরা লৈকংলাদগী থাগৎখ্রে। মদু মায় পাকপগা লোয়ননা সেট্টলাইট অদু ওর্বিট য়ৌখ্রে হায়না ষ্টেট টি ভিনা ফোঙদোকখ্রে।

রেভোল্যুসনরি গার্দসকী ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, নুর হায়বদি লাইট কৌবা সেট্টলাইট অদু মালেমগী লৈমায়দগী কিলোমিটর ৪২৫ ৱাংনা ওর্বিটিং তৌদুনা লৈখ্রে। ফোর্স অসিগী মতুং ইন্না মখোয়না সেট্টলাইট অদু থাগৎপদা কাসেদ নৎত্রগা মেসেঞ্জর হায়না খঙনবা সেট্টলাইট করিয়র শীজিন্নখি। তৌইগুম্বসুং, টেক্নোলোজি অদুগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে। ষ্টেজ অহুমগী কাসেদ সেট্টলাইট লোঞ্চর অদু সোলিদ অমসুং লিক্বিদ ফ্যুএল অনীমক শীজিন্নে হায়না গার্দসকী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

টি ভি ফুটেজনা সেট্টলাইট করিয়র অদুদা মুস্লিমশিংনা ট্রাভেলিংগী মতমদা তোয়না শীজিন্নবা কোরানগী ভর্স অমা ইবগী শক্তম উৎখি। ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌনবগীদমক্তা য়ানখিবা কুমজা ২০১৫গী ইন্টরনেসনল একোর্দ অমদগী ৱাশিংটন্না কুমজা ২০১৮ দা ৱিঠদ্রো তৌখিবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইরানগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া অমুক হন্না থমজিনখি।

ন্যুক্লিয়র দিল অদুদা ইরানগী বলিষ্টিক প্রোগ্রামদা থল্লিবা অথিংবশিং য়াওদে হায়রদুনা ট্রম্পনা য়ু এসপু দিল অদুদগী ৱিঠদ্রো তৌখিবনি। হৌখিবা জন্যুৱারি ৩ দা য়ু এসনা দ্রোন শীজিন্নদুনা বাঘদাদতা ইরানগী মিলিটরি কম্মান্দর কসিম সোলৈমানি হাৎখিবা মতুং থা খরা খন্নরগা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লোঞ্চ অদু পাঙথোক্লিবনি। মিলিটরি জেনরেল অদু হাৎখিবগী লমন খুন্বা ওইনা ইরান্না জন্যুৱারি ৯ দা ইরাক্তা লৈবা মিলিটরি বেজশিংদা মিসাইল কয়া কাপশিনখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিমগী মহুৎ কনানা শিনগনি হায়বা ৱাফম লাক্লে



সিওল, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়রগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী হকচাংগী ফিভমগী মতাংদা চমম্লবা অমা লৈরক্লিবা অসিনা চহী ৮ হেনবগী মমাংদা মহাক্না পৱার পায়বা হৌখিবা মতুংদা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংগী মহুৎ শীনবশিং খনবগী মতাংদা লৈখায় তাদবগী ফিভম অমা লৈ হায়বসি উৎলে হায়রি।

কিমগী ইমুংনা অতৈ হিরিদিটরি দিনাষ্টিশিংগুম্না লুচিংবা ওইবা য়াবা ইমুংগী নুপা ওইবশিংগী মরক্তা পৱার থংথনদুনা চহী ৭০ চুপ্না পাল্লকখিবা ওইরবসু মশাগী চহী ৩৬ শুরবা কিমনা মহাক্কী মহুৎ শীনগদবা মীওই অমত্তা খল্লম্বা লৈতে। মহাক্কী মচাশিং হৌজিক চহী য়াম্না নৌরিবা ওইবগা লোয়ননা লৈঙাক পায়রিবা ইমুং অসিগী হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা মপুং মরৈ ফারবা মীওই পুম্নমক লৈবাক অসিগী লুচিংবগী ফম পায়ননবা হোৎনবদা অথিংবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবনি।

কিমগী মহুৎ শীল্লকপা য়াবশিংগী মনুংদা মহাক্কী মচলনুপী কিম য়ো জোংসু অমনি হায়না ঙাঙনবা কয়া লৈ। রোয়ল রিপ্রজেন্টিভ অমগী থৌদাগা লোয়ননা পর্সনেল এসিষ্টেন্ট অমগী ফমসু পায়রিবা কিম য়ো জোং অসি মহাক্কী মবুংগা খ্বাইদগী নকশিন্নবা এইদশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ।

থা অসিগী অঙনবদা মহাকপু কোরিয়াগী রুলিং ৱর্কর পার্টিগী পোলিটব্যুরো মেম্বর অমা ওইনা খনখি। মহাক পোলিট ব্যুরোগী মেম্বর অমা ওইনা কিমগী ইমুংগী মেম্বরশিংগী মনুংদা রেজিম অদুদা থাঙ্গৈশেংবা পৱার পায় হায়না লৌনবা য়াবা অমত্তা ঙাইরবা ইমুংগী অতোপ্পা মীশক্নি হায়না লৌনৈ।

কিমগী অপোকপা কিম জোং ইলনা মমাংদা লৈঙাকখিবা অমসুং মহাক্কী মবুঁঙী কিম ইল সুংনা হৌদোকখিবা নোর্থ কোরিয়াগী লৈঙাক্কী মহুৎ শীনবা অমা খন্নরকপদা হৌজিক মহাক্কী মচানুপাসু য়াওরি। সাউথ কোরিয়ন ইন্টলিজেন্সকী মতুং ইন্না কিম্না লুহোংখিবা হান্নগী শৈশকপী রি সো জুনা অঙাং ৩ পোকখি। লুরিবদি অঙাংশিং অসি হৌজিক ফাওবা ষ্টেট মিদিয়াদা ওফিসল ওইনা পন্দবা অসিনি হায়রি।

# ক্রুজ জহাজশিংদা পন্দুনা লৈরিবশিং মুম্বাই পোর্টতা কুমহল্লগনি



মুম্বাই, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
ক্রুজ জহাজশিংগী ইন্দিয়ন ক্রু মেম্বর লিশিং কয়া অমদি তোঙান-তোঙানবা ভেসেলশিংদা পন্দুনা লৈরিবা হিরোয় কয়াগী অৱাবা কোকহনগদবা খোঙথাং অমদা সেন্টরনা মখোয়বু মুম্বাই পোর্টতা থুংনবগী অয়াবা পীখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মুম্বাইদা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর্সকী সিপিং মন্সুখ মন্দাবিয়াগা চীফ মিনিষ্টর উধভ থাক্রেগা ৱারী শান্নখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি। হৌজিক সেন্টরনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা জহাজ কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা হিরোয় ৪০,০০০ রোম মুম্বাইদা থুংবা য়ারগনি।

ওফিসল স্পোক্সপর্সন অমগী মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিত্তা মরেলা দিস্কভরি কৌবা অচৌবা ক্রুজ জহাজদা পন্দুনা লৈরিবা হিরোয় ১৪৬ হিথাংফম অদুদা কুমগনি। মদুগী মতুংদা অতৈ হিরোয়শিংসু তোঙান তোঙানবা জহাজ কয়াদগী কুমগদৌরিবনি।

কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী প্রোটোকোলশিং ঙাকহনবগা লোয়ননা মখোয় মেদিকেল চেকঅপ মপুং ফানা চত্থগনি অমসুং মখোয়গীদমক্তা লাংলবা বিল্ডিং অমদা তোঙান্না থমগনি।

ক্রুজ জহাজ অদু কোচি য়ৌরুবা মতুং এপ্রিল ২ অমসুং ৬ কী মরক্তা মুম্বাই য়ৌনবা লেকপখিবনি। অদুমওইনমক মালেমদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দারকপদগী ক্রুজ জহাজ অদুদা তোংলিবা পেসেঞ্জর পুম্নমক হৌখিবা মার্চ ৭ তা থাইলেন্দগী লেন চাবাংদা কুমহনখি। এপ্রিল ১২ দা কোচিদা থুংলবা মতুংদা জহাজ অদুগী ক্রু মেম্বরশিং কুম্বগী অয়াবা পীখিদবগা লোয়ননা মখোয় এপ্রিল ১৪ দা মুম্বাই য়ৌনবা লাকখিবনি। মদুদগী ক্রু মেম্বরশিং হিথাংফমদা কুম্লবগী পার্মিসন ঙাইদুনা লাকখি। জহাজ অদুদা তোংলিবশিংদু কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী রিপোর্ট অমত্তা লৈখিদ্রবসু মখোয় পন্দুনা লৈরকখিবনি। থাক্রেদা হিরোয়শিংগী অৱাবা অদু তপ্লবা মতুংদা ষ্টেটকী ওফিসল টিম অদুনা সেন্টরদা হীরম অসিগী মতাংদা তকশিনখিবনি।

# লাইচৎ থেংননবা লুপা ক্রোর ১৫,০০০ গী পেকেজ এপ্রুভ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি) :
য়ুনিয়ন কেবিনেটনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা 'ইন্দিয়া কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স এন্দ হেল্থ সিষ্টেম প্রিপ্যরদনেস পেকেজ' কৌবা লুপা ক্রোর ১৫,০০০ পেকেজ অমা এপ্রুভ তৌখ্রে।

ফন্দশিং অদু তাঙ্কক অহুম থোক্না শীজিন্নগনি। মদু খুদক্কী ওইবা কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি রেস্পোন্সকা লোয়ননা অতৈ হীরম কয়াদা শীজিন্নগদৌরিবনি। ইর্মজেন্সি রেস্পোন্সকী ওইনদি মদুদা লুপা ক্রোর ৭,৭৭৪গী শেনফম য়াওই।

চৈরকসিদা, অতৈ লেমহৌরিবা শেনফমশিং অদুনা মথংগী চহী ১ দগী ৪ ফাওবগী মিদিয়ম-টার্ম সপোর্টতা শীজিন্নগনি হায়না গভর্নমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, পেকেজ অদুগী মরু ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা দাইগনোষ্টিক অমসুং কোভিদ দেদিকেটেদ ট্রিটমেন্টগী ফেসিলিটিশিং ফগৎহনবা, ইসেন্সিএল ইক্বিপমেন্ট লৈবা, পেসেন্টশিং লায়েংবদা চঙবা দ্রগশিং লৈবা অমসুং মতুংদা অসিগুম্বা লায়না-লাইচৎশিং লাকপগা মরী লৈননা শেম-শাবগী থবক্তা মতেং ওইবা য়াবা লৈবাক্কী ওইবা অমদি ষ্টেটকী ওইবা হেল্থ সিষ্টেমগী মপাঙ্গল কনখৎহননচিংবা য়াওরি।

গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না ইনিসিএটিভশিং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মখাদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি। অহানবা ফেজদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অতৈ মিনিষ্ট্রি পুম্নমক্কী মতেংগা লোয়ননা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎখ্রবনি।

লুপা ক্রোর ৩,০০০ ফাওবগী অহেনবা ফন্দশিং ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা পেকেজ অদুগী মখাদা ফংহল্লগনি। শেনফমশিং অদু হৌজিক লৈরিবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংবু কোভিদ দেদিকেটেদ হোস্পিটালশিং, দেদিকেটেদ কোভিদ হেল্থ কোর সেন্টরশিং ওন্থোকপদা শীজিন্নগনি। ক্বারন্টিন, আইসোলেসন, টেষ্টিং, ট্রিটমেন্ট, লায়না লাকশিনবনচিংবগা মরী লৈনবা অকুপ্পা গাইদলাইনশিং, প্রোটোকোলশিং অমসুং এদভাইজরি হান্না ইশ্যু তৌখ্রবনি।